ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

নাগা পিছ টোকনা
মণিপুরগী অপূনবা
শক্তম কায়হনবা
য়ারোই হায়দুনা
মশীং য়াল্লবা
নুপীশিংনা দেপ্যুটি
চীফ মিনিষ্টর ৱাই
জয়কুমারগী যুমদা
থোমজিল্লকখিবগী
শক্তম

লামায় ১

মায়োন সোসাইটি
অমসুং মমি থৱান
ফাউন্দেসনগী
জোইন্ট ভেঞ্চর
ওইরিবা শ্যের এন্দ
ক্যেরগী সোসাইটি
ওফিস অমা
সগোলবন্দ মোইরাং
লৈরক মচীন্দা
হাংদোকখিবা

লামায় ১

বিষ্ণুপুরগী
ন্যু মিনি
সেক্রেটরিয়েট
কমপ্লেক্সতা দিষ্ট্রিক্ট
অসিগী ওইবা ৱান
ষ্টোপ সেন্টর অমা
বিষ্ণুপুরগী দি সী
নীতা অরাম্বমনা
রিবন কক্তুনা
হাংদোকখিবা

লামায় ৫

সী আর পি এফকী
৬৯শুবা বট্টালিয়ননা
শীন্দুনা মন্ত্রিপুখ্রিদা
লৈবা অচানবিগৈ
ফুটবোল গ্রাউন্দদা
ইন্টর ভিলেজ
নোক আউট
ফুটবোল টুর্নামেন্ট
হৌদোকখিবগী
থৌরম

লামায় ১২

Vol. 43, Issue No.226 | শগোলশেন, হিয়াঙ্গৈগী ১৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, November 14, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

মীয়ামগী নুমীৎ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): হৌখিবা ওক্টোবর অমসুং চৎলিবা নবেম্বর থাগী ওইনা মীয়ামগী নুমীৎ অমসুং হিল লীদরস দেগী থৌরম লাক্লিবা নবেম্বর ১৫দা পূন্না পাঙথোক্লগনি। ভিজিটরশিংনা মখোয়গী ৱাকৎশিং অদু অইবা ওইনা চীফ মিনিষ্টরদা এদ্রেস তৌদুনা পীশিনবীরকউ হায়নসু সেক্রেটরি টু চীফ মিনিষ্টর এন জিওফ্রেনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

HL Poll

Q: Lamdam ashida khutshemgi pot tangba thokhandanaba leingakna matik chaba thourang loukhatle haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Heavy Industries and Public Enterprises ki Union Minister Arvind Sawant fam thadokkhibasi NDA machet tarakpagi khudamni loubra?

Yes 66% No 34%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100

FIRE SERVICE

Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৬ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.২৭ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৮

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL → AGARTALA	Air Asia (India)	15:50
IMPHAL → AIZAWL	Air India	12:20
IMPHAL → BENGALURU	IndiGO	09:55
IMPHAL → DELHI	Air Asia (India)	13:55
IMPHAL → GUWAHATI	Air Asia (India)	11:15
	Air India	14:20
IMPHAL → KOLKATA	Air India	14:45

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.316465
US Dollar	72.051441
British Pound	92.455636
Australian Dollar	49.195659
Chinese Yuan Renminbi	10.262763
Japanese Yen	0.661462
Malaysian Ringgit	17.349194
Australian Dollar	49.195659
Singapore Dollar	52.870210
South Korean Won	0.061597
Saudi Arabian Riyal	19.213718
Thai Baht	2.382076
Myanmar Kyat	0.04748
Bangladesh Taka	0.84988

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	Rs	38866.31
Mumbai	Rs	39839.57
Delhi	Rs	39679.14
Kolkata	Rs	40096.26

অস! লোইরেহে!

- ইবুংঙো এম এল এ নখোয়বু তুংগীসু খরা খল্লুনে...!
- ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ ꯅꯈꯣꯌꯕꯨ ꯇꯨꯡꯒꯤꯁꯨ ꯈꯔꯥ ꯈꯜꯂꯨꯅꯦ...!



- তুংগীদি খন্দ্রসু য়ানিদা তুংলোম থংবা শম কক্লুবদা ঙায়জরি...!
- ꯇꯨꯡꯒꯤꯗꯤ ꯈꯟꯗ꯭ꯔꯁꯨ ꯌꯥꯅꯤꯗꯥ ꯇꯨꯡꯂꯣꯝ ꯊꯡꯕ ꯁꯝ ꯀꯛꯂꯨꯕꯗꯥ ꯉꯥꯏꯖꯔꯤ...!

তোলোপ অমদি পেন্সন নত্তনা বিল পাস তৌবা, মেজর হেদতগী শেল কায়থোকপা থিংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা শেল-থুমগী ফিভম শোকচিল্লকপা মরম্না ইমপ্লোয়িশিংগী তোলোপ অমদি পেন্সনরশিংগী পেন্সনগী শেনফম নত্তনা মেজর হেদ অমসুং অতে পব্লিক একাউন্ট দিপোজিৎতগী শেল কায়থোকপা থিংখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (ফাইনান্স) রাকেস রঞ্জননা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না এক্সপেন্দিচর সেঙ্কসন, এনকেসমেন্ট পর্মিসন, সি দি এ ওলোকেসন লোয়ননা মেজর হেদ অমদি পব্লিক একাউন্টস দিপোজিৎতগী শেল কায়থোকপা থিংলে। মখা তাবা য়াথং অমা পীরক্লিবা ফাওবা ট্রেজরি খুদিংমক্তা মখল অমত্তগী বিল পাস তৌবা য়াররোই হায়রি।

অদুম ওইনমক ষ্টেট গর্ভর্মেন্টকী ইমপ্লোয়িশিং (কন্ত্রেকচুএল ইমপ্লোয়ি, ৱার্ক চার্জ, মষ্টর রোল, হোম গার্দ, কেজুএল ইমপ্লোয়ি, গ্রান্ত-ইন-এইদ ইমপ্লোয়ি অমসুং ভি দি এফ য়াওনা)গী তোলোপ; পেন্সনরশিংগী পেন্সন; ষ্টেট লৈঙাক্ল লোন লৌরুবগী শেন্দোইগা লোয়ননা শিংগৎকদবা শেনফম; মেদিকেল এদভান্স; মেদিকেল রি এম্বর্সমেন্ট; জি পি এফ; অনয়ুটিলাইজ লিভকী শেনফম, টি এ/দি এ, এক্সগ্রেসিয়া, রিলিফ পেমেন্ট অমসুং এল টি সিনচিংবা ইমপ্লোয়িশিংগী পার্সনেল ক্লেম; গভর্ণর হাউস, হায় কোর্ট, এম পি এস সি, লোক অয়ুক্ত, এসেমব্লী সেক্রেটরিয়েটকী এক্সপেন্দিচর; পুলিস দিপার্টমেন্টকী নন গেজিটেদ ইমপ্লোয়ি অমসুং ভি দি এফ পার্সনেলশিংগী রসন মনি লোয়ননা জেলশিংদা থল্লিবা প্রিজনরশিংগী দাইট মনিগী তাংদদি অথিংবা লৈরোই হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ওগষ্ট থাগী অঙনবা শরুক্তা রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী একাউন্ট ওভরড্রাফ্ট তারে হায়দুনা বেঙ্কশিংদগী শেল কাইথোকপদা অথিংবা থল্লুবগা মতম খরগী মতুংদা অথিংবা লৌথোকখিবনি। মতম অদুদগী হৌনা ষ্টেটকী শেল-থুমগী ফীভম শোকচিল্লক্লে হায়নদুনা লাকখিবনি।

অমিট শাহনা এস্যুরেন্স পীরক্লে হায়বা ষ্টেট লৈঙাক্কী ৱাফম কোকোমিনা থাজবা ঙমদে : সুনিল করাম

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লোই হায়বগী এস্যুরেন্স পীরক্লে হায়না ষ্টেট লৈঙাক্লা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অসি কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না থাজবা ঙমদে হায়না কোকোমিগী কোওর্দিনেটর সুনিল করাম্না ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা যু সী এমগী ওফিসতা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পাউমীশিংগা উনবা অমদা সুনিল করাম্না হায়খি, যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উনরুবগী ৱাফম খরা চীফ মিনিষ্টরনা মীদিয়াদা ফোঙদোরকপা থেংনরে। চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকখিবা অদুদা যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা এস্যুরেন্স পীরক্লে হায়রিবা অসি থাজবা ঙমদে। মরমদি কুমজা ২০১৭তা প্রাইম মিনিষ্টরনসু মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লোই হায়রকখিবা লৈগ্রবনি। যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনসু হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লোই হায়বা ৱাফম অসি হঞ্জিন-হঞ্জিন অদুম্মক থমদুনা লাক্লি। পিছ টোককী ৱারোইশিনদা মপূং ওইনা ইনরিবা ৱাফমশিং অদুদা করি-করি য়াওবগে হায়বদি ঙসি ফাওবা ফোঙদোকপা লৈত্রি। ৱারোইশিন অসিদা করি-করি ৱাফম য়াওরিবগে হায়বা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বশিং অদুদি ফোঙদোক্তে। মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লোই হায়রিবা অসি করম্বা মখলগী ইন্টরেষ্টনো হায়বদু দিফাইন তৌরগা হায়বীগদবনি। মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু করম্বা মখলগী ইন্টরেষ্টনো হায়বদু শুগায়না থম্বীগদবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পাল্লিবা ইন্টরেষ্টকা মণিপুর মীয়াম্না পাল্লিবা ইন্টরেষ্টকগী মরক্তা খেন্নবা লৈরম্লবদি মদু কৈদৌনুংদা য়াবা ঙল্লোই।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মণিপুর মীয়াম্না পাল্লিবা ৱাফমশিং অদু চপ চানা ফোঙদোরকপা নৎতবনিনা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লোই হায়বগী এস্যুরেন্স পীরক্লে হায়রিবা ৱাফম অসি অনৌবা অমা নত্তে। যুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা পীরক্লিবা এস্যুরেন্স অসি থাজে হায়বা ৱাফম থল্লবনিনা ষ্টেট লৈঙাক্লসু ৱাফম অসিগী মতাংদা চপ চাবা রেস্পোন্সিবিলিটি পূম্নমক পুগনি হায়না লাউথোকপীয়ু। হোম মিনিষ্টরনা পীরক্লিবা এস্যুরেন্স অদু কোকোমিনদি অইবা ওইনা পাম্মী। অইবা ওইনা থাজবা পীরক্লবা মতমদা কোকোমি অমদি মণিপুর মীয়াম্না মদুদা থাজবা লৈগনি। মদু নৎত্রবদি থাজবা ঙল্লোই।

ৱারোইশিন পুরক্তি ঙৈগী মাংওইননা ষ্টেকহোল্ডরশিং তাননবা ইনভাইট তৌরকপা মতমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা এজেন্দা য়াওনা য়াম্না ময়েক শেংনা থম্বীরক্লনবা ষ্টেট লৈঙাক্লসু থৌদাং লৌগদবনি। তানবা মতমদা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা ৱাফমশিং অদু কুপ্না খন্নবদা নুংঙাইনবীগদমক্তা ইনভাইট তৌরকপা মতমদা এজেন্দা য়াওনা তৌবীরকউ। মীয়ামগী ৱাফমশিং তারোইদবা ওইরগদি অমুক হান্না হোম মিনিষ্টর নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরগা উনবগী মথৌ তারক্তবসু য়াই। তানগদবা লৈরবদি মীয়ামগী ৱাফমসু তাবীগদবনি। পীরক্কদবা ইনভাইটেসন অদুগী মওং য়েংলগা কোকোমিনসু ৱারেপ লৌজগনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর উনবদি ঙমদে। হোম মিনিষ্টরনসু য়াম্না ক্লিয়র কট ওইবা মওংদা থাজবা পীরকপসু লৈতে। করিসু তৌহল্লোই হায়না শুপ্নখক্কী ঈঙ্গিৎ অমা পীরক্লগা মণিপুর মীয়ামদা থাজবা পীযু হায়বসিদি কৈদৌনুংদা য়াবা ঙল্লোই। লুরবা তাঞ্জা অসিদা লৈবাক্তগী সঙাই ফেষ্টিবেলনা হেন্না লুদে। মীয়ামগী ৱাখল থৈহনবা য়াবা মওংদা লাক্লিবা নবেম্বর ২১দগী পাঙথোক্কনি হায়রিবা সঙাই ফেষ্টিবেল বোইকোট তৌবগী ৱাফম হন্দোকপা লৈতে। ফেষ্টিবেল অসি নমদুনা তৌরকপা য়াবগী চিংনবা লৈ। মণিপুর লৈঙাক্লসু মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক পায়খৎপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোকোমিগী এসিস্টেন্ট কো-ওর্দিনেটর নন্দো লুৱাংনা হায়খি, মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক মীয়াম্না মপূং ফানা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি শেরান্নবা মায়কৈ অমদা চৎখিদনবা য়াম্না চেকশিন্না মখা তানা খোঙজং চঙশিনবা মথৌ তারি। কাঙলূপ ফুরুপ অমত্তগী থম্মোয় শোক্কদবা থবক তৌবীগনু। লৈকাই-লৈকাইদা খোঙজং চঙশিনবা মতমদা পীক্লিবা মহৈরোয়শিং শীজিন্নবা তৌবীগনু। মহৈরোয় য়াওদবা য়াদবগী তঙাইফদবা লৈরগসু অৱাংবা থাক্কী মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিং য়াওহনবীয়ু। মণিপুর মীয়াম্না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি মালেমগী মীয়াম্না খঙবগা লোয়ননা মায় পাকপা য়াবগী ফীভমদা লাক্লবা মতম অসিদা কনাগুম্বা খরনা খোঙজং অসি অতোপ্পা মায়কৈ অমদা চৎখিনবা থৌরাং পায়খৎলকপা লৈব্রা হায়বসিসু কুপ্না য়েংশিল্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সেন্টরদা থাজবা থল্লি হায়রগদি লৈঙাক্লা থৌদাং পুবীয়ু : জয়কিষন

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : পিছ টৌক্কী ৱারোইশিন পুরকপগী তাঙ্কক অসিদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শোক্লক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা কয়া লাকপনা এসেমব্লীগী মীফম কৌ হায়বদা য়াদ্রিবসি লৈঙাকসিনা মীয়ামগী ইহুল খঙদ্রে হায়বা তাক্লে।

সেন্টরদা থাজবা থল্লি হায়রগদি হিরম অমত্তদা মণিপুর শোকহল্লোই হায়না ষ্টেট লৈঙাক্লা থৌদাং পুবীয়ু হায়না এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

খোয়াথোংদা লৈবা মশাগী য়ুমদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, ষ্টেট অসি হৌজিক তংদু-লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈরে। মণিপুরগী অপুনবা শক্তমগীদমক এসেমব্লীগী মীফম কৌদুনা ৱারেপ লৌফম থোকই। এসেমব্লীগী মীফম কৌ হায়বদা য়াদ্রিবসি মীয়ামগী ইহুল খঙদ্রে হায়বা তাকপনি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

ওর্সোনজিৎ হাৎখিবগী সী বি আইগী কেস ক্রিমিনেল কোর্টতা কম্মিট তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): হৌখিবা কুমজা ২০১০গী মার্চ ১৬কী নুংথিলদা লমশাং পি এসকী মনুং চনবা তাওথোং মখা লৈকাইগী আই ভি আর অমগী মপান্দা খূৎ থোক্লবনি হায়দুনা সেগা রোদ জেলর লৈরক্তগী খুম্নোংময়ুম ওর্সোনজিৎ কৌবা নহা ১ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী খূৎপু ১না নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী কেস চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টনা ক্রিমিনেল ত্রাইয়ল কোর্ট অমা ওইরিবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টতা কম্মিট তৌখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা কম্মান্দো পর্সনেলশিং অদুগী রিপোর্টতগী অহানবদা লমশাং পুলিস ষ্টেসননা এফ আই আর নম্বর-১৪ (৩) ২০১০ অন্দর সেক্সন-৩০৭ আই পি সী অমসুং ২৫ (১-সী) আর্মস এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা কেস লৌখৎখিবনি।

অদুবু থৌদোক অসিগী কেস য়াওনা ঈভফম অমসুং ঐচ আর এনা এনকাউন্টরনি হায়বা থৌদোক ১৫২৮গী মতাংদা অমুক হন্না থিজিনহনবীনবা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলুবদগী কোর্ট অসিনা পীরকপা ওর্দরদগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

চেকশিন মীফম, মৈরা খোঙচৎ লেপ্তুনা চত্থরি

মণিপুর শোক্কদবা য়াওরকপদা চেনগদবা নত্তে : জয়কুমার

পিছ একোর্দতা করি-করি ৱাফম য়াওরি হায়বা মীয়ামদা খঙহল্লু : আর কে ইমো

MANIPUR GI APUNBA SHAKTAM KAIBA YAROI
Organised by: SAGOLBAND CONSTITUENCY PROGRESSIVE COMMITTEE (SCPC)

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই অমদি ৱরোইশিন পুরকপদা য়াওগদৌরিবা ৱাফমশিং মীয়ামদা খঙহল্লু হায়দুনা কোকোমিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং শৌগৎলদুনা মফম কয়াদা চেকশিন মীফম, মৈরা খোঙচৎ লেপ্তুনা চত্থরি।

কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা উরিপোক খাইদেম লৈকায়, উরিপোক পোলেম লৈকায়, অহল্লেম লৈকায় অমদি উরিপোক অপূনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা উরিপোক্কী মফম কয়াদা চেকশিন মীফম ফমখি। তুংদা নুপীশিংনা তোঙান-তোঙানবা খোল্লাউ লাউদুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারগী যুমদা থোমজিনখি। দেপ্যুটি সী এমগী যুম য়ৌরমদাইদা পুলিসনা নুপীশিং অদু থৎতুনা থল্লগা মীহুৎ অহুম দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগা উনহনখি। উনবা অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, যুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা থাজবা পীরক্লিবসি মাঙহল্লক্লবদি চপ চানা লেপকনি। মণিপুর শোক্কদবা ৱাফম য়াওরকপদা চেনগদবা নত্তে। মণিপুরবু হীরম অমত্তদা শোকপা য়ারোই হায়বা লৈঙাক্কীসু ফিরেপ লৈরি। হোম মিনিষ্টর উনবা চৎপদা মণিপুর ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

নোংমদা ফনেক মপান নাইবা তরুক, সদা ১০ শাবা ঙম্বা পাৱর লূম মায় পাক্লা পুথোকপা ঙল্লে

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): লৈঙাক্কী থবক ফংদ্রে হায়বগী নীংহন্নবা তৌদনা লমদম অসিগী খূৎ-শা হৈরবা মীওই কয়া মশানা মশাবু থবক পীজবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। নোংমদা ফিশাবী অমনা ফনেক মপান নাইবা জুরা অমা শাদুনা পুথোকপদা অৱাবা ওইনরল্লবসু নোংমদা ফনেক মপান নাইবা তরুক অমদি সদা ১০ শাবা ঙম্বা পাৱর লূম মায় পাক্লা পুথোকপা ঙল্লে।

য়োৎকী পাৱর লূম শাদুনা মীয়ামদা ফংহনবা হৌখ্রবা মীওই অদুদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা চরাংপাৎ মমাং লৈকাইদগী য়াম্বেম মাঘা (৫৫) কৌই। মহাক লৈখিদ্রবা য়াম্বেম লমফেল অমদি য়াম্বেম ওংবী পিশক্কী মচানুপা মঙা অমসুং মচানুপী তরুক্কী মনুংদা ইতোন তোনবনি। মাঘাগী অপোকপা লৈখিদ্রবা য়াম্বেম লমফেল মতম অমদা উগী যুম শাবা অমদি উপু-কাংথোল চনবদা মমিং চৎপা মীশক অমা ওইখি। অপোকপনা পায়রম্বা শিনফম অদু য়াম্বেম মাঘানা মখা তানা তৌদুনা মীগী যুম শাবা অমদি উপু, কাংথোল চন্দুনা য়োল্লম্মী। হৌজিক্তি মাঘানা য়োৎকী পাৱর লূম অসি শাদুনা পুথোকপা হৌরে। মাঘা ক্লাস আইট ফাওবদং তম্লগা ইমুং-মনুংগী শেল-থুমগী ফীভম খুদোংচাদবনা মখা তানা মহৈ তমথখিদ্রে হায়রি।

পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবদা য়াম্বেম ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

শ্যের এন্দ ক্যেরগী সোসাইটি ওফিস হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): শ্যের এন্দ ক্যেরগা লোয়ননা মাইয়োন সোসাইটি অমসুং মমি থৱান ফাওন্দেসননা ঙসি শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা সোসাইটি ওফিস অমা হাংদোকখ্রে। সোসাইটি ওফিস অদু মাইয়োন সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট গীতাবলি ঙাঙোমনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখি। থৌরম অদুদা মমি থৱান ফাওন্দেসনগী চেয়রমেন রোমি মৈতৈসু শরুক য়াখি হায়রি। লোয়ননা থৌরম অদুদা ওফিস অসিগী ৱেবসাইট অমসু হাংদোকখি। নৌনা হাংদোকখ্রিবা সোসাইটি ওফিস ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

[illegible]

Manipur Cab Services

[illegible]

[illegible] Telephone [illegible] number [illegible] call [illegible] Smartphone [illegible] Android app "Manipur Cab" playstore [illegible] download [illegible]

Toll Free Number 1800-345-3838

GET IT ON Google Play

₹ 15 per Km. Normal

₹ 25 per Km. Standard

Picnic, [illegible] package [illegible]

MANIPUR CAB SERVICE 24X7

Manipur Cab Services
2nd floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-P/4095/9/10-8/11

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ

থাগৎচরি

লৈবাক অসিদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মশীং লেপ্পগী ওথোরিটি ওইরিবা ওদিট ব্যুরো ওফ সর্ক্যুলেসন (এ বি সী) না কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী থাদগী জুন থা ফাওবগী পীবা সর্টিফিকেসন ফংবা মণিপুরগী পাউচেশিংদি হুইয়েন লানপাউ অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসনি। এ বি সীনা পীবা খ্বাইদগী ইকোন কোনবা সর্টিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না **হুইয়েন লানপাউ মণিপুরী ইদিসননা মণিপুরদা অনীশুবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ফোঙবা পাউচে** ওইরে।

পাউচে অসিবু লীশাং শীৎনা পাবিরক্লিবা অমদি পুক্নীং থৌগৎপীরক্লিবা খুদিংমকপু নোল্লুকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মতুং তারকপদসু পাউচে অসিবু হেন্না মপুঙ ফানা পুথোকপা ঙম্নবা পুক্নীং থৌগৎপিয়ু। অশোয়-অরান য়াওরগসু তাকপীরকউ। মীয়ামগীদমক পাউচে অসিনা হেক ঙল্লিবমখৈ অঙম্বা থৌদাং লৌজগে।

পুম্নমকপু অমুক্কা হন্না থাগৎচরি!

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫